# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-04-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৯-০৪-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ইন্দিয়ন মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা হায়রি- মণিপুর, অসাম, ত্রিপুরা, মিজোরাম, মেঘালয়, নাগালেন্দগী মফম কয়াদা ঙসি অকনবা নোং চুগনি।

২) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙরাং শকাইরবা মীওই ৭১ দা চহী অসিগী পদ্মা এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে।

**অমসুং**

৩) অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত্র বিস্বা শর্মনা হায়রি-জাতিগী মায়োক্তা থবক তৌবা মীওই ২৪ রাজ্য পুলিসনা ফারে।

**------**

**ৱেদরঃ** ইন্দিয়ন মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা হায়রি-ঙসি মণিপুর, অসাম, ত্রিপুরা, মিজোরাম, মেঘালয়, নাগালেন্দগী অমসুং উরিষা মফম কয়াদা অকনবা নোং চুগনি। বিভাগ অসিনা হায়-অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অকনবা নুংশিৎ, অখাক অরাওগা লোয়ননা

ময়াই ওইরগুগী কলপ নোং চুগনি। হরিয়ানা, দেল্লি, চান্দিগর, পঞ্জাব, হিমাচল প্রদেশ, নোংচুপ থংবা রাজস্থান, জম্মু কাশ্মির, লদাখ, গিলগিটনচিংবা মফম কয়াদা অশাবা নুংশিৎ শিৎকনি।

মণিপুরগী দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, কাংপোকপী, নোনে, সেনাপতি অমসুং উখ্রুলগী মফম কয়াদা নোং চুখি। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফমশিংদা মিলিমিতর ৮.৩ অমসুং মিলিমিতর ৮ গী চাংদা নোং চুখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-ঙরাং নুংথিল রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুবদা য়ুম কৈ কয়ামরুম অমাং অতা থোক্লে।

**পুলিস(এল)ঃ** মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। মণিপুর পুলিসনা ঙরাং জিরিবাম জিলাগী জিরিবাম পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা জিরিবাম বজারদগী পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে হায়রি। মহাক মীয়ামদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। মফম কয়াদা চেকপোইন্ট হাংদুনা চিংনবা মীওইশিং চেক তৌবগী থবক চথরি। অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে টু অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গারিশিং পুশিল্লক্লি। নেসনেল হায়ৱে টুদা গারি ২৯৯ অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা গারি ২১২ পুশিল্লকখ্রে।

**হেলথ(এল)ঃ** লৌনগন্দবা লায়নাশিং স্ক্রিনিং তৌবা অমসুং মসিগী মতাংদা মায়াম্বু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা কেয়র ফাউন্দেসনননা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী

নোংমৈবুংদা লৈবা মসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। নন-কম্যুনিকেল দিজিস সেল ইম্ফাল ইষ্টনা এল্লাইএন্স ইন্দিয়া, কেয়র ফাউন্দেসন অমদি সি.এ.সি ইম্ফাল ইষ্টকা খূৎশমরগা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মীওই কয়া স্ক্রিনিং তৌখি।

**নোনে (এল)ঃ** দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জরভেসননা পায়খৎলিবা স্কিম অমসুং প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবা অমদি সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা নোনে জিলাদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ওফিস হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জরভেসন নোনেনা পিংজাং ফার্মর, প্রদ্যুসর কম্পনিগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা লফু অমসুং শিং গী চারাশিং য়েন্থোকখি।

**এৱার্দঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙরাং শকাইরবা মীওই ৭১ দা চহী অসিগী পদ্মা এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে। নিউ দেল্লিদা লৈবা রাস্ত্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রীমতি মুরমুনা মীওই মরিদা পদ্মা ভিভুসন, মীওই ১০ দা পদ্মা ভুসন অমসুং মীওই ৫৭ তা পদ্মাশ্রি পীখ্রে।

পদ্মা ভুসন ফংলবশিংগী মনুংদা ভারতকী হান্নগী হোক্কি কেপ্তেইন পি.আর.শ্রি.জেষ্ট অমসুং বিহারগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি সুসিল কুমার মোদি য়াওরি। পদ্মশ্রি ফংলবশিংগী মনুংদা ভারতকী ক্রিকেট শান্নরোই রবি চন্দ্রন অস্বিন, ক্লাসিকেল শকপা ডা.কে.ওমান কুতি অম্মা য়াওরি। মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা উপ-রাস্ত্রপতি জগদিপ ধনখর, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি কেন্দ্রগী মন্ত্রি কয়ামরুম শরুক য়াখি। কুমসি চহী গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরমদা লৈবাক অসিগী শকাইরবা মীওই ১৩৯ দা পদ্মা এৱার্দ পীনবা লাউথোকখিবনি। মসিগী মনুংদা পদ্মা ভিভুসন ৭, পদ্মা ভুসন ১৯ অমসুং পদ্মাশ্রি ফংগদবা মীওই ১১৩ য়াওরি। মনা ফংলবশিংগী মনুংদা নুপী ২৩ অমসুং মপাল লৈবাক্কী মীওই ১০ য়াওরি। পদ্মাশ্রি এৱার্দ ফংগদবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী শকাইরবী ক্লাসিকেল দাঞ্চর থিয়াম সুর্য মুখি দেবী য়াওরি।

**অসামঃ** অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত্র বিস্বা শর্মনা হায়রি-জাতিগী মায়োক্তা থবক তৌবা মীওই ২৪ রাজ্য পুলিসনা ফারে। ভারত্তা লৈরগা পাকিস্তানবু শৌগত্তুনা থবক তৌবা নত্রগা ৱা ঙাংবশিংগী মথক্তা চত্থরকখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মীওইশিং অসি ফাবনি। মহাকা হায়-লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈবা ফারবা মীওই ২৪ অসি জেলদা থাজিনখ্রে। পহলগামদা টেরোরিষ্টশিংনা চত্থখিবা এত্তেক্ট অদুগা মরি লৈননা পাকিস্তানবু হকথেংননা নত্রগা নাকোয়ননা শৌগৎপা মীওইশিংগী মথক্তা অসামনা কৈদৌনুংদসু য়েংদুনা লৈরোই হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোঙদোকখি। পাকিস্তানবু শৌগৎপা ৱাফমশিং সোসিএল মেদিয়াদা ফোঙদোক্লুবগীদমক অসাম পুলিসনা মীওইশিং অসি রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎখিবনি।

**মিজোরামঃ** মিজোরামগী কোনুং আইজোল ময়াদা কার অমগী মথক্তা নুংজাও অমা তারকপদগী ইমুং অমগী মীওই অহুম শিরে অমনা শোক্লে।

অকাশবানি পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-থৌদোক অদু রাজ্যগী কোনুংদগী কিলোমিতর ৩৫ লাপ্পা মফম অমদা থোকখিবনি। মীওইশিং অদুনা লেংপুই এয়রপোর্টতগী আইজোল তমা হল্লকপগী লম্বীদা নুংথিল পুং ৩ মখায় তাবা অদুৱাইদা চীংথক্তগী নুং কিন্থরকপদগী চেল্লিবা কার অদু ননশিনখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা, মতৈ মনাও অমসুং মখোয়গী মচানুপী মফম অদুমক্তদা শিখি। গারি অদুব্ থৌরিবা মচানুপাদুদি কা হেন্না অশোক অপন নংখিদে হায়রি। পুলিসনা হায়-চীংথক্তগী কিন্থরকখিবা নুং অদুনা কার অদুবু ফুমজিনখি। মখোয়গী হকচাং পুলিস অমসুং মফম অদুগী মীওইশিংনা নুং মরক অদুদগী লৌথোকখিবনি।

মরক অসিদা, মিজো জরলাই পোলগী মখাদা তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংনা ঙরাং মতম কক্তবা লম্বী থিংবগী খোংজং চংশিনখ্রে। খা থংবা মিজোরামগী লুংলৈ সহর শমগদবা মরুওইবা লম্বী শেমবগীদমক থারকখিবা শেনফম নাকল অমদা থৈদোকখ্রে হায়বগী মরালদা লম্বী থিংবগী খোংজং অদু

চংশিনখিবনি।

**ছতিসগরঃ** ছতিসগরদা ঙরাং মাওইষ্ট ২৪ সরকারদা চংজরকখ্রে। বিজাপুর জিলাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মাওইষ্টশিং অসিনা সি.আর.পি.এফ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং য়াওবা থৌরম অমদা মখোয় চংজরকখিবনি। সরকারদা চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অসিগী মনুংদা মাওইষ্ট ১৪ ফাবা নত্রগা পাউ পীবা ঙম্বদা লূপা লাখ ২৮ লিশিং ৫০ গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীওইশিং য়াওরি। সরকারদা চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিংদা সরকারগী রি-হেবিলিতেসন স্কিমগী মখাদা লূপা লিশিং ৫০-৫০ গী চেক মনা খূৎশিন্নখি। চহী অসিদা বিজাপুর জিলা খক্তদা মাওইষ্ট ২০০ হেন্না সরকারদা চংজরকখ্রে।

**রাফেল** ঃ ভারতনা ফ্রান্সতগী রাফেল মেরিন ফাইটর এয়ারক্রাফট ২৬ লৈননবা লৈবাক অনিনা ঙরাং ঙাকশেলগী য়ান্ন-চেরোল অমা সহি তৌনখ্রে।

য়ান্ন-চেরোল অদু ভারতকী ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েল অমদি ফ্রান্সকী এম্বেসেদর অনিগী মরক্তা তৌনখিবনি। অনৌবা রাফেল মেরিন এয়ারক্রাফট ২৬ অসি হাপচিল্লক্লগদি ভারত নেভিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি। হায়রিবা এয়ারক্রাফটশিং অসি ভারত নেভিগী আই.এন.এস বিক্রমাদিত্যা অমসুং আই.এন.এস বিক্রান্টনচিংবদা শিজিন্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মে থাদগী কোল্ড স্তোরেজশিং চলাইরগা উহৈ ৱাহৈ মনা মশিংশিং থম্বা হৌগদৌরি হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

শিরোই ফেষ্টিভেলগী মতিক চাবা সেক্যুরিতি এরেঞ্জমেন্ট তৌনবা খন্নবা লোইরে, মীয়ামা শরুক য়াবীয়ুঃ পুজা- হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক পাউচেদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

প্লাস্তিক পোলিসি ২০২২ চৎনহনবা ঙমদ্রি, লিতর মখায়গী ঈশিং বোট্টলসু থিংবা ঙমদ্রি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মিজোরামদা অথিংবা থমখ্রবা সিঙ্গল য়ুস প্লস্তিক বেক কে.জি লিশিং ১,৮০০ আইজোল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসননা ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা-সেনাপতি দি.সিনা ক্লিন সেনাপতি রিভর কেম্পেইনগী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা মণিপুর মেলগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

ইচেল এক্সপ্রেসতা- চরাংপাৎতা এন্তি রেবিস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুর ভাইওলেন্সঃ কুকি অমদি মৈতৈগী মরক্তা অনিরক শুবা ওইনা ৱারি শান্নরবা য়াই হায়বা পাউ অমা নহারোল থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। মসিগা মান্নবা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা- সেন্তরনা মৈতৈ অমদি কুকি গ্রুপকী মরক্তা মথংগী ৱারি শান্নবগী মীৎয়েং থল্লি।

অনাল খুলেনদা লেন তাবদগী য়ুম খর অমাং অতা থোকখ্রে হায়বা পাউ

অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

শেরৌ সুগগী লাঞ্জেন্নরুবশিং হঞ্জিন্নরকপা হৌরে, ৱাৎহৌরিবশিংদা য়ুমনা কৌরে পাউজেনবা, ফুটবোল টুরনামেন্ট হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- মণিপুর পুলিসনা মণিপুরদা পাকিস্তান অমদি বঙ্গলাদেশতগী ইল্লিগেল ইমাইগ্রেন্টশিং চংশিল্লকপ্রা হায়বদু থিদোকপা হৌরগনি হায়বা পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- ইন্দিয়ন মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা অৱাং নোংপোক লমদমদা মেগী তাং ২ ফাওবা নোং চুরবা য়াই হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- মিজোরামদা নুং কিন্থবদগী ইমুং অমগী মীওই অহুম লৈখিদ্রে হায়বা পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**